**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-08-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৬-০৮-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নোনে জিলাদা ডোক্তর অমসুং নর্স ৱাৎপদগী হকশেলগী লমদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়রি।

২) মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

**অমসুং**

৩) ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী থবক থৌরম হেন্না কনখৎহন্নবা পান্দমদা জাতিগী অমসুং রাজ্যগী রাজনিতি দলশিংগা মীফম ৪৭১৯ হেন্না পাঙথোকখ্রে।

**------**

**নোনে(এল)ঃ** নোনে জিলাদা হকশেলগী লমদা চাউনা খুদোংচাদবা অমা মায়োকরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী পাউগুইলুং কামৈনা হায়- জিলা অসিদা ডোক্তর, নর্স য়াওনা কর্মচারি চাদা ৮০ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োকরি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা সি.এম.ও ওফিসতা

চত্তুনা দেতাশিং খোমগৎপদা স্তাফ ৱাৎপগী সমস্যা অসি থেংনরকপনি হায়রি। ওফিসিয়েল রেকোর্দ মতুং ইন্না সি.এম.ও ওফিস নোনেদা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ১৪, সি.ঐচ.সি নুংবাদা পোষ্ট ৩২, পি.ঐচ.সি খৌপুমদা পোষ্ট ৫, পি.ঐচ.সি হাউচোংদা পোষ্ট ৮ অমসুং পি.ঐচ.সি নোনেদা পোষ্ট ৭ হাংদুনা লৈরি।

ভিলেজ কাউন্সিল লোংমাই এরিয়া, রোংমৈ নাগা কাউন্সিল লোংমাই লুৱাংলিয়াং, রোংমৈ নাগা লুহ-ফুৱাম লোংমাই এরিয়া অমসুং নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন লোংমাই এরিয়ানা য়েংশিনবদা ফিভম অসি থেংনরকখিবনি। তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা সি.এস.ও লুচিংবশিং অসিনা হায়-হৌখিবা চহী কয়া অসিদা হকশেলগী খুদোংচাবা ৱাৎপদগী জিলা অসিগী মীয়ামা অনা লায়েংগী লমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল তমা চৎনবা হোৎনবদা মীওই কয়া লৈখিদবা য়াওরে। মরম অদুনা, সরকারনা মীয়ামগী খুদোংচাদবা অসি অথুবা মতমদা কোকহন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা দাবী তৌরক্লি।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড নো তোবেকো ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। মণিপুরদসু নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র সর্ভিসেস মণিপুরনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি লম্ফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা আই.এম.এগী হেরিতেজ হোলদা পাঙথোক্কনি।

‘অন-মাস্কিং দ আপিল-এক্সপোজিং ইন্দষ্ট্রি তেক্তিক্স ওন তোবেকো এন্দ নিকোতিন প্রদক্স’ হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চন্বো গোনমৈ, ফেমিলি ৱেলফিয়র সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন হেমন্ত কুমারনচিংবা শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী সিংতোম ভিলেজতা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনা থিবা হুন্নবগী থবক চথুরি। ঙরাং সিংতোম ভিলেজতা চথুখিবা ওপরেসনদা- আই.ঈ.দি ৭, ইন্সাস রাইফল ১, ফিফতি ৱান এম এম মোর্তার ২, পোম্পী লোঞ্চর ৪, তিয়র স্মোক সেল সোফ্‌ট নোস ৪, তিয়র স্মোক গ্রেনেদ ২, ভোল্ট এক্সন রাইফল ১, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল ১, কন্ত্রিমেদ কর্বাইন ২ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ অরানবা তৌবা মীওইশিং লেপ্পা লৈতনা ফাগৎলি। হায়রিবা ওপরেসন অসিগী মনুং চন্না ঙরাংসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তখেল মমাঙ লৈকাইদগী কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী কাদর ১, জিলা অসিগী অন্দ্রো খরাম লৈকাইদগী পি.এল.এগী কাদর ১ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাওথোঙ খুনৌদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী কাদর ১ ফাগৎপা ঙম্লে। মীওইশিং অসি মীয়ামদগী মরুওইনা দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি। কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী কাদর অসিদগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ১ সু ফংখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল পুলিস স্তেসনদা রেজিস্তর তৌবা গারি হুরানখিবগী কেসকা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা মীওই ২ ফাগৎলে। মখোয়দগী চাকা মরী পানবা গারি ১ ফংলে।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** কংগ্রেস সেভা দল লিংখৎখিবা ডা.নরায়ন সুববরাও হরদিকর লৈখিদবগী চহী ৫০ শুবা কুমওন থৌরম সেভা দল মণিপুর কংগ্রেস কম্মিতিনা

শিন্দুনা ঙসি বি.টি রোদ ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী ফোতোদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎকনি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা পি.এম দজগ্বাগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনর মহেশ চৌধুরিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফমা য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা লাইন দিপার্টমেন্টশিংদা মথং থাগী ২৯ ফাওবদা মখোয় মখোয়গী প্রোপোজেলশিং থাগৎলকবা খঙহনখি। মসিগী মতুংদা লাকপা প্রোপোজেলশিং লৌরোই হায়না দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা বিভাগশিংগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি। চেয়রমেননা লম্বী অমসুং হকশেলগী থবক থৌরমশিংদা ইনফ্রাষ্টকচর চাউখৎহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চংনবসু খঙহনখি। মসিগী মথক্তা আদি কর্ম য়োগী ত্রেন্নিং অথুবা মতমদা জিলা অসিগী ওইনসু পাঙথোক্লুগনি হায়রি।

**নোংঃ** লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা ময়াই ওইরপ্তুগী কলপ নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগকী পাউ মতুং ইন্না দেল্লি, হরিয়ানা, চান্দিগর, অন্দ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবাল, গুজরাট, জম্মু কাশ্মির, লদাখ, উরিষা, পঞ্জাব অমসুং রাজস্থানগী মফম কয়াদা ঙসি নোং কন্না চুগনি । অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিং কেরালা, গৌৱা, মহারাস্ত্র অমসুং মধ্য প্রদেশকী মফম কয়াদনা লাক্লিবা নোংম নিনি অসিদা নোং কন্না চুরবা য়াই। বিভাগ অসিনা হায়-মণিপুর, মিজোরম, ত্রিপুরা, নাগালেন্দ, ঝরখন্দ, গুজরাট, কর্নাতক, তেলঙ্গনা, বিহার অমসুং অন্দমান নিকোবর ইথৎকী মফম খরদা অখাক অরাও অমসুং নুংশিৎকা লোয়ননা ঙসি নোং চুবা য়াই।

**ই.সি.আইঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা হৌখিবা থা ৬ অসিদা মীখলগী থবক থৌরম হেন্না কনখৎহন্নবা পান্দমদা জাতিগী অমসুং রাজ্যগী রাজনিতি দলশিংগা থেংখাং কয়াদা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে। ইলেক্সন কম্মিসননা থা ৬ অসিদা রাজনিতি দলশিংগা পুন্না মীফম ৪৭১৯ পাঙথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা সি.ঈ.ওশিংনা মীফম ৪০, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিংনা মীফম ৮০০ অমসুং ইলেক্তোরেল রোল ওফিসরশিংনা মীফম ৩৮৭৯ পাঙথোকখি। মসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী মীহুৎ লিশিং ২৮ হেন্না শরুক য়াখি।

ইলেক্সন কম্মিসননা হায়- রাজনিতি দলশিংগা মীফম পাঙথোকপা অসিনা মখোয়গী মোৎশিং ফোঙদোকপগী খুদোংচাবা অমা পীবগা লোয়ননা কম্মিসনগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং ফোঙদোকবগী খুদোংচাবা অদু পীরি। কম্মিসননা হায়- থৌরাং অসি কম্মিসনগী অনৌবা খোঙথাং অমনি। মসিনা মীখলগী থবক থৌরমশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**পেন্সনঃ** অতল পেন্সন য়োজনা থা অসিগী ২১ ফাওবদা পুন্না সবস্ক্রাইবর কোতি ৮ লাক্ষ ১১ হেল্লে। শেনবা চহী ২০২৪-২৫ অসিদা অনৌবা সবস্ক্রাইবর কোতি ১ লাক্ষ ১৭ হেন্না য়োজনা অসিদা মিং চল্লকখি। য়োজনা অসি লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবশিং মরুওইনা নুপীশিংগী মরক্তা পান্বা য়োজনা অমা ওইরক্লি। শেনবা চহী ২০২৪-২৫দা অপুনবা সবস্ক্রাইবর মিং চল্লকখিবশিংগী মনুংদা চাদা ৫৫ দি নুপীনি। নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পেন্সন ফন্দ রিগ্যুলেতোরি এন্দ দেভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়রপর্সন এস.রমননা হায়-অতল পেন্সন য়োজনা অসি শেনবা চহী অমখক্তদা মীওই লাক্ষ ৫০ হেন্না য়াওরকখি। মসিগী মনুংদা চাদা ৪৬ তি চহী ১৮ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনি।

**কম্মনৱেলথঃ** গুজরাতকী অহমেদবাদতা চথৱিবা কম্মনৱেলথ ৱেলথ লিফতিং চেম্পিয়নসিপতা মিরাবাই চনুনা পুন্না কিলোগ্রাম ১৯৩ থাঙ্গৎতুনা সনাগী তকমান লৌরে। কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা মিরাবাই চনুনা সনাগী তকমান লৌখিবা অসিনা মথং চহীদা গ্লাসগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মন ৱেলথ গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরে। মিরাবাই চনুনা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৪ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১০৯ থাঙ্গৎখি। ভারতকী সোমিয়া সুনিল দালভিনা পুন্না কিলোগ্রাম ১৭৭ থাঙ্গত্তুনা লুপাগী তকমান অমসুং নাইজেরিয়াগী আর এ নিয়োংনা পুন্না কিলোগ্রাম ১৬৭ থাঙ্গত্তুনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখি। মিরাবাই চনুনা কম্মন ৱেল্থ চেম্পিয়নশিপতা সনাগী তকমান লৌরকপদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি । রাজ ভবনগী চেরোল অমনা হায়-মিরাবাই চনুনা মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুরগী মীংচৎ পুদুনা লাক্লি। মহাকা উৎলিবা তৌবা ঙম্বা অসিনা নহাশিংদা পুকিং থৌগৎলগনি। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু মিরাবাই চনুনা রেকোর্দ থুগাইবগা লোয়ননা সনাগী তকমান লৌরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মনিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা মহাকা সনাগী তকমান লৌরকপা অসি চাউথোকচনিঙাইনি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা চনম্বম রিসিকান্তনা পুন্না কিলোগ্রাম ২৭১ থাঙ্গত্তুনা সনাগী তকমান লৌখি। গেমস অসিদা রিসিকান্তনা সনাগী তকমান লৌরকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা নাগালেন্দগীসু গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখিবগী পাউ, মিরাবাই চনুনা কম্মনৱেলথ ৱেটলিফতিং চেম্পিয়নশিপতা সনাগী তকমান লৌরকপা অমদি রাজ্য সভাগী এম.পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্টপু মীচং মীখাই নাইবা অমদি অরানবা রিপোর্টনি হায়না

ফোঙদোকপগী পাউনা- ঙসিগী পাউচেশিংদা মরুওইনা পাউশিং ওইনা ফোঙলে।

গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়বা পাউ অসি- মোর্নিং বেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ইং তপ্পা হঞ্জিলহন্নবগী রোদ মেপ উদনা এন.পি.পিনা গভর্ণমেন্ট শেম্বনা সপোর্ট তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়বা জয়কুমারগী ৱাফম- পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী এদিসনদা- প্রাইম মিনিষ্টর লাকপা লাক্তবা মনিপুরগী ফিভমগী মখা পোনগনি হায়না বেনর হেদলাইন তৌরি।

মিজোরমদা চহী ৫ গী মনুংদা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা ফোরেনর ৪৬০ গী মনুংদা ম্যান্মার মচা ৪৩৯ য়াওরল্লে হায়বা পাউ অসি - হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এম.ঐচ.এ নোর্থ ইষ্টকী এদভাইজর উনরুনবা নাগাগী লুচিংবশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অসি- সনালৈবাককী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ওদিও তেপ কেস এন.বিরেনগীনি হায়বা ওদিও তেপ সুপ্রিম কোর্টনা সি.এফ.এস.এলদগী লৌথোক্তুনা এম.এফ.এস.য়ুদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- মিরাবাই চনুনা সনাগী তকমান লৌরক্লে হায়বা পাউ অসি

অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পি অমসু মশা মতোমতা শিজখ্রে হায়বগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- রাজ্য সভাগী এম.পিনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্টপু মীচং মীখাই নাইবা অমদি মীয়ামদা লান্না লমজিংবা য়াবা রিপোর্টনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমরোমদনা, রিপোর্ট অসি মণিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা অচুম্বা অশেংবা অদু পুথোকপনি। হায়বা কুকি জো কাউন্সিলগা ৱাফমা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা লুচিংবা নাগা সি.এস.ওশিং নিউ দেল্লিগীদমক খোশানখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি । পাউ অসি গানফিউ মেলদনা- মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সনা বার্তণ তৌরকপগী নাগা সি.এস.ওশিং নিউ দেল্লিগীদমক খোঙশানখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- ১০ শুবা অমদি ১১ শুবা আই.আর.বি-এম.আর জমাদার রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসনগী অরোইবা পরিক্ষা হায়দোকউ হায়দুনা ইম্ফালদা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**